## আর্মি পেরেদতা মেদিকেলগী পোৎলমশিং উৎখ্রে

দুবাই, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
ইরানগী নেসনল আর্মি দে সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিনা দিসইনফেক্সন ভেহিকলশিং, মোবাইল হোস্পিটালশিং অমসুং মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট কয়া লৈবাক মীয়ামদা উত্তুনা লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা লৈবাক অদুদা শাথিরবা শাফু অমা পীরিবা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক থেংনবদা লৌরিবা থৌদাং অদু উৎখ্রে। হকশেল অমসুং সোসল প্রোটোকোলশিংনা মরম ওইদুনা লান্মীশিংগী ওইবা পেরেদ অমা পাঙথোকপা হায়বসি ওইথোক্তবা অমসুং হৌজিক্কী য়েক্লবদি মশক উদে হায়বসি উৎপগা লোয়ননা পান্দমিক অসিবু থেংনবদা তঙাইফদ্রিবা পোৎলমশিং অসিবু উৎলবনি হায়না প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা লান্মীশিংদা পীবা পাউজেল অমদা ফোঙদোকখি।

## নোটিস পীখ্রে

চান্দিগর, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
কেম্পসতা মপুং ফানা অথিংবা থমদবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিং য়াওনা মীওই ৩,২০০ রোম মফম অদুদা লৈহনবগীদমক্তা পঞ্জাব গভর্নমেন্টনা জলন্দর সিটিগী মনাক্তা লৈবা লভলি প্রোফেস্নেল য়ুনিভর্সিটিদা কর্ফিয়ু নোর্মস থুগায়বগা মরী লৈননা সোকোজ নোটিস পীখ্রে।

# রুহানদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীওই ১,৩০০ লোম হান্নগী ওফিসল মশিংদা য়াওরমদ্রে



বৈজিং, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
চাইনিজ সিটি রুহানদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীওই ১,৩০০ লোম হায়বদি শিখিবা অপুনবা মী মশিংগী তঙ্খায় অমারোম অশোয়বা কয়া লৈবদগী হান্না পীখিবা ওফিসল ওইবা অশিবশিংগী মশিংদা থারমদ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, বৈজিংনা ওফিসল ওইবা অশিবশিংগী মশিং পীবদা অসুম্না য়াম্লবা মীওইশিংগী মশিং রাৎলম্লিবসি অরোন-অথুপকী থৌওংদি নত্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রুহানদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ কন্ত্রোল তৌবগী থবক পায়রিবা লোকেল গভর্নমেন্ট টাস্ক ফোর্স অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা লাইচৎ অসি শন্দাকপা হৌখিবা চাইনাগী সেন্ট্রেল সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা হান্না লাউথোকখিবা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা ওফিসল ওইবা অপুনবা মশিংনি হায়বা ২,৫৭৯ গী মথক্তা মীওই ১,২৯০ শিখিবগী অহেনবা মশিংসু হাপচিনখি।

শগোলশেল নুমিত্তা ইনৌ নৌনা হাপচিল্লকখিবা মশিং অসিনা সিটি অসিগী ওফিসলশিংগী থবক্তা অরানবা অশোয়বা, মতম চাদনা রিপোর্ট তৌবনচিংবা কয়া য়াওরে হায়বসি উৎলে হায়রি।

রুহানদা শিখিবা অহেনবা মী মশিং অসি থারগা চাইনানা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিগী ওইনা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মী মশিং রিভাইস তৌরবা মতুংদা পুন্না ৪,৬৩২ নি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রুহানদা শিখিবা মী মশিং থাঙ্গৈশেংবদি মমাংদা পীখিবা ওফিসল মশিংদগী য়াম্না হেল্লমগনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লখিবা মতুংদা রিভিজনগী খোংথাং অসি লাকখিবনি।

লাইচৎকী ঙল্লিঙৈগী মতমদা হোস্পিটালগী কেপাসিটি লিমিটেদ ওইবনা অমসুং মেদিকেল ষ্টাফ রাৎপগা লোয়ননা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসন খরনা মতম চানা লোকেল দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন সিষ্টেমকা পাউ ফাওনবা ঙমদবদগী কনফর্মা কেস মশিং রিপোর্ট তৌবদা থেংবনা মরম ওইদুনা পেসেন্টশিংগী মশিং চপ চানা থিবা ঙমখিদবনি হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা মশক মমিং তাকথোক্তবা রুহানগী ওফিসল অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

# জপানগী অবেনা ট্রম্পকা ওন্ন-তৈনবদা কোভিদকী মতাংদা দব্লিয়ু এচ ও শৌগৎখ্রে



টোকিয়ো, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
রর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)দা য়ু এসনা ফন্দিং পীবা লেপ্পগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা ওন্ন-তৈনবদা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা কেম্প্যেনদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা লৌরিবা থৌদাংবু ইরাই নুমিত্তা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা অবেনা হায়খি মদুদি, শগোলশেল নুমিত্তা মহাক্লা লৈবাক তরেৎকী গ্রুপকী লুচিংবশিংদা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা দব্লিয়ু ঐচ ওগী লিচিং মখাদা শাথিরবা লৌনগনবা লায়না অসি থেংনবদা অমগা অমগা কোওপরেসন পীনফম থোকই হায়বা রাফম অসি চেকশিন্না থমখ্রে।

মালেম পুম্নবদা অচৌবা শাফু অমা পীরিবা লাইচৎ অসিবু থেংনবদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা লৌরিবা থৌদাং জ পাননা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না মহাম্না ফোঙদোকখি।

পান্দেমিক অসিবু থেংনবদা লমজিংগদৌরিবা অমত্তা ঙাইরবা ইন্টরনেসনল ইন্সটিট্যুসনদি দব্লিয়ু ঐচ ওদনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ট্রম্পনা জিনিভাদা বেজ তৌবা দব্লিয়ু ঐচ ওনা কোরোনাভাইরস পান্দমিক হেন্দল তৌবগী মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা এজেন্সি অসিদা য়ু এসনা ফন্দিং পীবা মহাক্লা লেপহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# 'কোরোনাভাইরসকী মথংগী ইপিসেন্টর অফ্রিকা ওইবা য়াই'



জিনিভা, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
হৌখিবা চয়োল অসিদা কোভিদ-১৯ কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা অফ্রিকানা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক অসিগী মথংগী ইপিসেন্টর ওইরকপা য়াই হায়না ইরাই নুমিত্তা রর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুরোপকী মফম খরা অমসুং য়ু এসতা উরিবশিংগা চাংদম্নবদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন অমসুং ভাইরস অসিনা শিহনবগী চাং য়াম্না নেম্মী হায়না লৌবা য়ারবসু হৌজিক ফাওবদা অফ্রিকা পুম্নগী ওইনা শাথিরবা লাইচৎ অসিদা মীওই ১০০০ রোম শিখিবগা লোয়ননা ইনফেক্সন মশিংনা ১৮,০০০ দগী হেনখ্রে।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী অফ্রিকা দিরেক্টর মাটসিদিসো মেয়েতিনা বি বি সীদা ফোঙদোকখিবদা, শাথিরবা ভাইরস অসি কেপিটেল সিটিশিংদগী কন্টিনেন্ট অসিগী মরু ওইবা লৈবাকশিংগী মফম কয়াদা শন্দোরকপা ওর্গনাইজেসন অসিনা উরে। লাইচৎ অসিদা হৌজিক ফাওবদা চৈথেং নংলবা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদি সাউথ অফ্রিকা, নাইজিরিয়া, আইভরি কোষ্ট, কেম্মরুন অমসুং ঘনানি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অফ্রিকাগী লৈবাকশিং কোরোনাভাইরস পেসেন্টশিং লায়েংনবগী কেপাসিটি লৈতবনা মরম ওইদুনা ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিং লায়েংবগী মহুত্তা লায়না শন্দোরকপা থিংবদনা হেন্না মীৎয়েং থল্লি। অফ্রিকাগী লৈবাক অয়াম্বদা আই সী য়ুগুম্বা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং মতিক চানা লৈতবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না আই সী য়ুদা থম্বগী তঙাইফদবা লৈবা পেসেন্টশিংগী মশিং য়ারিবমখৈ হন্থহনবা পাম্মী হায়না মহাক্লা বি বি সীদা ফোঙদোকখি।

লৈবাকশিং অসিনা মায়োক্লরিবা খ্বাইদগী চাওবা শীংনবশিংগী মনুংদা ভেন্টিলেটরগী রাফম অসিসু অমনি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, কোভিদ-১৯না নারবা পেসেন্টশিংবু ভেন্টিলেটরগী খুদোংচাবা ফংহনবগী রাফম অসি হিংবা অমসুং শিবগী রাফম ওইবা য়াই।

# মিলিটরি বেজতা এটেক তৌবদা ররকর ৬ শিরে, লোকদাওন শাংদোকখ্রে

কাবুল, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ু এসকী খ্বাইদগী চাওবা মিলিটরি বেজ ওইরিবা বাগ্রম এয়র ফিল্ডদা চথুরকখিবা এটেক অমদা মফমদুদা থবক তৌবা অফঘান কন্ট্রেক্তর ৬ শিখ্রে হায়না লোকেল ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। এটেক অদু কন্ট্রেক্তরশিংনা ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা চথুরকখিবনি হায়রি।

পররানগী গভর্নরগী স্পোক্সপসর্ন রহিদা সরকারনা ফোঙদোকখিবা রারোল পল্লদুনা তোলো ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯.৪০ রোম তাবদা বাগ্রম এয়র ফিল্ডদগী গাড়ি অমদা তোংদুনা ময়ুমদা হল্লকখিবা ররকর ১০ রোমদা টালিবানগা মরী লৈনবা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক তৌখি। এটেক অদুদা খুদক্তা মীওই ৬ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ৪ না অশোক-অপন নংখি হায়না স্পোক্সপর্সন অসিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, টালিবানগী মায়কৈদগী এটেক অদুদা গ্রুপ অসি চেন্নখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চৈরকসিদা, কেপিটেল কাবুলদা চথুরিবা কোরোনাভাইরসকী লোকদাওন চয়োল ৩



অমগসু মখা তানা শাংদোক্লে হায়না অফঘান গভর্নমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

কাবুলদা মে ৯ ফাওবা মখা তানা লোকদাওন শাংদোকখিবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন ৬ রোম লৈবা সিটি অসিগী মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা অথিংবা চাওনা লৈরগনি। লোকদাওন অদু প্রোভিন্সিয়ল দিষ্ট্রিক্টশিংদসু চৎনগনি। গভর্নমেন্টকী অথিংবশিং অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক কাবুলগা অতৈ প্রোভিন্সশিংগা শম্নরিবা লম্বীশিং মখা তানা থিংদুনা লৈরি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়র এফ্যেরসনা লোকদাওন শাংদোকপগী রাফম অসি লাউথোক্লদুনা সিটিজনশিংদা লোকদাওনগী অথিংবশিং নীংথিনা ঙাক্লনবা অপিল তৌখি।

# লোকদাওন ঙন্না কোমথোকপনা কোভিদ-১৯ কেস রাংখৎহনবা য়াই



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী থবক-থৌরম খরা মহৈশাগী ফিভমদা লাকহন্নবা হোৎনরকখিবগা ইরোয়ননা রিপোর্ট অমনা হায়রি মদুদি, ইন্দিয়াদা লোকদাওন য়াম্না ঙনখৎনা কোমথোকপা হায়বসিনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎহনবগা লোয়ননা অমুক হন্না লোকদাওন শাংদোকহনবগী তঙাইফদবা লাকহনবা য়াই।

নোমুরাগী রিপোর্ট অমনা হায়, লোকদাওন্না অরেম্বদা তিংহল্লিবা চাদিংগী শেনফমশিং হন্থহন্নবা নৎত্রগা মাঙখিবা শেনফমশিং য়ারিবমখৈ কুপখৎপা ঙম্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী ইকনমিগী অচৌবা স্যের অমা মহৈশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা গভর্নমেন্টনা থৌরাং লৌখৎলক্লি। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা গভর্নমেন্টকী রারেপ অসিনা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস কেস মশিং খঙহেন হেনগৎহল্লকপা য়াই।

ইন্দিয়ানা লোকদাওনগী থৌরাংশিং খরমখৈ কোমথোক্লবা রারেপ লৌরক্লিবা অসিনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংনা হকশেলদা মীৎয়েং চঙবদা লোকদাওনগুম্বা লায়না-লাইচৎ কন্ত্রোল তৌবগী থৌরাংশিংনা শেল-থুমগী লমদা পুরক্কদৌরিবা অমাঙবা কয়াগীসু অরাবা অমা ওইরে হায়বদু উৎখি।

অথিংবা খরা কোমথোকপগী থৌরাং দিল তৌবদা থেংনরিবা এদমিনিষ্ট্রেটিভকী ওইবা শীংনবশিংগী রাংমদা লোকদাওন কা হেন্না ঙনখৎনা কোমথোকপা হায়বসিনা কোভিদ-১৯গী কেসশিং খঙহেন হেনগৎহন্দুনা লোকদাওনশিং অমুক হন্না শাংদোক্তবা য়াদবগী ফিভম শোয়দনা লাকহনবা য়াই হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি। খুঙ্গংগী লমশিংদা অথিংবশিং কোমথোকপগী রারেপ অসি ইনফেক্সন মশিং নেন্নিবা মফমশিং অসিদা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা য়ানবগী পান্দমদা গভর্নমেন্টনা লৌখিবনি।

# প্লেজমা থেরাপিদা কোভিদ পেসেন্টকী ফিভম ফগৎলকপা থেংনরে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী লায়েং চথুবদা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা প্লেজমা থেরাপি চথুখিবা দিফেন্স কোলোনিগী মীওই অমা ফিভম নীংথিনা ফগৎলকপগী মমি উরে হায়না সকেটতা লৈবা মেক্স হোস্পিটালগী সোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পেসেন্ট অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী মচানুপানি। মশাগী চহী ৮০ শুরবা লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মচানুপা অমসুং লোইনবী চাংয়েংদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি।

সোর্স অসিনা হায়খি মদুদি, পেসেন্ট অদু শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিল ফাওবা ভেন্টিলেটর শীজিন্নহনখি। মঙোন্দা প্লেজমা ট্রিটমেন্ট পীখি অমসুং মহাক মদুদা নীংথিনা রেস্পোন্দ তৌখি। মহাক্কী মমাদি হোস্পিটাল অদুদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না সোর্স অসিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।



কোনভলেসেন্ট প্লেজমা থেরাপিদা লায়না অসিদগী ফরবা মীওই অমগী এন্টিবোদিশিং লৌরগা মদু ভাইরস অসিনা নাহল্লবা মীওই অমদা ট্রান্সফ্যুজ তৌদুনা মহাক্কী ইম্যুন সিষ্টেম ফগৎহল্লি। অদুমওইনমক লায়েং মখল অসি দ্রগ কন্ত্রোলর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই)গী অয়াবা ঙাইরি।

দি সী জি আই অমসুং ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্সনা ক্লিনিকেল চাংয়েং অমসুং ষ্টদি অমা ওইনা হৌজিক ট্রিটমেন্ট মখল অসিবু অয়াবা পীননবগী প্রোসেস চথুরিবনি। থরায় কনবা দ্রগ অমা শীজিন্নবগী অয়াবা ঙাইবগী কেসতা ফাওবা অনাবগী ফিভম য়েংলগা ওফ-লেবেলদা হীদাক শীজিন্নবা য়াবগী চৎনবী মহৈশাদগী লৈরক্লি।

অসিগুম্বা চৎনবী অসিগী মখাদা অনাবগী ইমুংনা পেসেন্ট অদুদা পীনিংলিবা ট্রিটমেন্ট দিমান্দ তৌবা য়াবগী রাইট লৈ হায়না সোর্স অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নুপী অমনা কোভিদ টেষ্ট তৌদবা মপুরোইবা য়ুমদা চঙহনখিদ্রে



অমরাভতি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী অকিবা অমসুং হঙ্গোইনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা অন্দ্র প্রদেশতা নুপী অমনা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌদ্রিফাওবা চঙবা য়ারোই হায়না মহাক্কী মপুরোইবা য়ুমদা চঙহনখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু নেলোর দিষ্ট্রিক্তকী ভেনকাতাগিরিদা থোকখিবনি। নুপা অদু লোকদাওন হৌরকখিবদগী নেলোরদা মতম খরা পন্দুনা লৈরুরবা মতুংদা মহাক্কী হোম টাউনদা হল্লকখিবনি।

নেলোরগী সনাগী দুকান অমদা থবক তৌবা নুপা অদু হৌখিবা থাদা লোকদাওন চৎনহনখিবদগী মফম অদুদা পন্দুনা লৈখিবনি। মমৈথংদা মহাক য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ভেনকাতাগিরি য়ৌবা ঙমখি। অদুমওইনমক মহাক্কী লোইনবীনা মহাকপু য়ুমদা চঙলক্ত্রিঙৈগী মমাংদা কোরোনাভাইরসকী স্ক্রিনিং হান্না পাঙথোক্লবা হায়খি।

নুপী অসিনা থৌরাং অসি অঙাংশিং অমদি কম্যুনিটিগী সেফতিগীদমক্তা য়াম্না তঙাইফদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মহাক্কী মপুরোইববু লোকেল অঙ্গনৱাদি সেন্টর অমদা লৈনবগী রাফম হৌদোকপগা লোয়না ভোলন্টিয়রশিংদা মহাকপু কোরোনাভাইরস টেষ্ট পাঙথোকপিহন্নবা হায়জখি। মতুং তারকপদা হেল্থকী মীওইশিংনা মহাকপু নেলোরদা পুরগা মহাক্কী সেম্পলশিং লৌহনখি। টেষ্ট রিজল্ট অদুদা মহাক নেগেটিভ ওইরম্বদগী মহাক্কী লোয়ননা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগী অরাবা কোকখি। ঐহাক্লা অঙাংশিং অমসুং লৈমিন্নরিবা অকোয়বগী মীওইশিংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা থোকহনবা পামদে। রাখল্লোন অসিনা মরম ওইদুনা ঐহাক্লা মহাকপু কোভিদ-১৯গী টেষ্ট পাঙথোক্লবা মতুংদা য়ুমদা চঙলক্লবা কন্না হায়খিবনি হায়না নুপী অদুনা ফোঙদোকখি।

মান্নবা থৌদোক অমদা চয়োল অসিগী অঙনবদা টেলঙ্গনাগী খুঙ্গং অমগী সরপঞ্চ অমনা অতোপ্পা খুঙ্গং অমদগী হল্লকখিবা মহাক্কী মমাবু ময়ুমদা চঙহনখিদবনি।

# চোপ্পর ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখ্রে, কাপ্নবদা মিলিটেন্ট ২ শিরে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়ন এয়র ফোস (আই এ এফ)কী অপাচে হেলিকোপ্টর অমা ইরাই নুমিত্তা পঞ্জাবগী হোসিয়ারপুরগী লৌবুক অমদা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখ্রে। হেলিকোপ্টর অদু পথানকোট বেজদগী পাইরকখিবা মতুংদা টেক্নিকেলগী অশোয়বা খরা লৈবনা মরম ওইদুনা বুধৱার খুঙ্গংগী লৌবুক্তা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখিবনি হায়রি।

আই এ এফকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, এপ্রিল ১৭ তা আই এ এফকী অপাচে হেলিকোপ্টর অমা পথানকোট এয়র বেজদগী পাইখৎখি। চাওরাক্লা পুং ১ রোম পাইরবা মতুংদা হেলিকোপ্টর অদুদা ক্রিটিকেল ফেল্যরগী ফিভমশিং লাকপদগী মদু পন্থুং য়ৌদনা পঞ্জাবকী লৌবুক্তা অশোয়-অঙাম য়াওদনা তাশিনখি।

ফোর্স অসিনা হায়খি মদুদি, হেলিকোপ্টর অদু অশোয়-অঙাম য়াওদনা লেন্দিং তৌবা য়ানবা এয়রক্রাফট অদুগী কেপ্টেননা য়াম্না থুনা অচুম্বা এক্সন খরা লৌখৎখি। হেলেকোপ্টর অদুগী ক্রু পুম্নমক অশোয়-অঙাম থোকহৌদ্রে অমসুং য়ুম-কৈনচিংবা প্রোপর্টি অমত্তসু অমাঙ-অতা থোকহৌদবগা লোয়ননা এয়রক্রাফট অদু তঙাইফদবা রেক্তিফিকেসন চথুরবা মতুংদা লৌখৎলগনি হায়না আই এ এফনা মখা তাখি।



অমরোমদা ইরাই নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কিসৱার দিষ্ট্রিক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা মিলিটেন্ট অনী শিখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, শিখ্রবা মিলিটেন্ট অনীমক লোকেলশিংনি। মখোয়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দচন এরিয়াদা পুলিস পার্টি অমদা শীংজং পায়রগা এটেক তৌবগা লোয়ননা মফম অদুদগী সর্ভিস রাইফল অনী পুদুনা চেনখিবনি। পুলিসকী মীওই অমা এটেক অদুদা শিখি অমসুং অতোপ্পা অমনা অশোক-অপন নংখি।

পুং ৭২গী মনুংদা মিলিটেন্টশিং অদু হাৎপগা লোয়ননা মখোয়না হুরানখিবা খুৎলায়শিং অদুসু লৌখৎখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।